ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯢ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুলাই ২২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১১৭শুবা মশীং

কোভিদ ১৯না মফম খুদিংমক্তা মাঙ-তাকহল্লকপা

চাইনানা চথুরকপা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাওনি হায়নরিবসি চুমগদৌরিব্রা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরকখ্রবা মতুংদা মায়কৈ খরদগী চাইনাদা মরাল শীবা ৱাফম ফোঙদোক্নরক্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপকী মতিক-ময়াই লৈরবা লৈবাকশিং নমথনবগী পান্দমদা চাইনানা অরোনবা খুজিল-থৌরাং তৌরগা তোপ-তোপ্পা মওংদা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও চথুরকপনি হায়না মরাল শীরি। চাইনানা মতম কয়াগী মমাঙদগী অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও চথনবা শেম শাদুনা লৈরকখ্রবনি হায়না পল্লদুনা রিপোর্ট অমনা হায়, মমাঙদা শোক্লখিবা লানগা মান্নদবা মওংদা চাইনানা মখল অমত্তগী খূৎলায়, মিসাইল নৎত্রগা এটোম বোম শীজিন্নদনা ভাইরস অমখক্কী মতেং লৌরগা মালেমদা লান্দারক্লে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা জপানগী হিরোসিমা অমসুং নাগাসকিদা থাদখিবা ন্যুক্লিয়র বোমদগী ভাইরস অসিনা মাঙ-তাকহনবগী চাং শরুক চা কয়া হেল্লে হায়রি। মালেমদা লাঞ্জাও অমা থোরকপা মতমদা থেংনবা থৌওংশিংদি কা হেন্না মী শিবা, মফম অয়াম্বদা অমাঙ-অতা থোকপা, মরু ওইবা লৈবাকশিংগী শেন্মীৎলোন শোকচিল্লকপা অমসুং তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং ফংলক্তবা অসিনচিংবনি। থৌওং অসিমক মালেমগী মফম অয়াম্বদা উবা ফংলি। খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবনি হায়বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ফাওবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লাখ ৩৯ হেনখ্রে। ইটলি, স্পেন, জর্মনি অমসুং বৃটেননচিংবা অতৈ চাওখৎলবা লৈবাক কয়াসু কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলি। মমিং লৈরবা পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট গ্রহম এলিসননা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কুমজা ২০৪৯ ফাওবদা চাইনানা পান্থৈ অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা মালেমদা খ্বাইদগী মতিক-ময়াই লৈবা লৈবাক ওইবা ঙম্নবগী পান্দমদা অরোনবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লে হায়রি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা ভাইরস অমা শীজিন্নদুনা মালেমগী মফম পূম্নমক মাঙ-তাকহল্লবা মতুংদা চাইনানা কুমজা ২০৪৯ ফাওবদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক ওইনবা পান্দম থল্লি হায়নসু পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট অসিনা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদুদি য়েৎননীংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লৈরি। নাকল অমরোমদা অতোপ্পা সাইন্টিষ্ট খরনা মালেমদা কোভিদ-১৯দগী হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইবা অতৈ অতোপ্পা লাইচৎ কয়া শন্দোরকখিগনি হায়না চেকশিন-ৱারোল পীখ্রে। 'হাও নোট টু দাই' অমসুং 'হাও টু সর্ভাইভ এ পেন্দেমিক' কৌবা মমিং লৈরবা লাইরিক অনী ইখ্রবা ডা. মাইকল গ্রেগরনা হায়খি, কোভিদ-১৯দগী হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইবা লাইচৎ অমা য়েনগী ফার্মশিংদগী শন্দোরক্তুনা মালেমগী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমরোম শিহনবা য়াই। মশামক মনা-মশিং খক্তা চাবগা লোয়ননা অতৈ মীওই পূম্নমকসু ভেজিটেরিয়ন ওইগদবনি হায়বা কেম্প্যেন চথদুনা লাকখিবা ডা. গ্রেগরনা হায়খি, মালেমদা শা-ঙা চাবা মীগী মশীং অঙকপা ফংনা হেনগৎলকপা অমসুং মীওইবনা চানবগীদমক মখল কয়াগী শা য়োনবা হৌরকপনা মরম ওইরগা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ কয়া শাদগী মীওইবদা শন্দোরকপনি।

মমাঙদা ঐচ ৫ এন ১ বর্দ ফ্লু শন্দোরকখিবগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা হায়, কুমজা ১৯৯৭তা শন্দোরকখিবা লাইচৎ অদু লাকশিন্নবগী পান্দমদা য়েন মিলিয়ন কয়ামরুম হাৎতোকখি। অদুবু কুমজা ২০০৩ অমসুং ২০০৯দা অমুক হন্না বর্দ ফ্লু শন্দোরকখিবা মরম্না ভাইরস অসি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি হায়না লৌফম থোকই। অমরোমদা ইন্টরগভর্ণমেন্টেল সাইন্স-পোলিসি প্লেটফোর্ম ওন বাইওদাইভর্সিটি এন্দ ইকোনোমিষ্টস সর্ভিসেস (আই পি বি ঈ এস) না ফোঙদোকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, মীওইবনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা থৌরাং লৌখৎহৌদবা তারবদি খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ কয়া লেপ্তুনা শন্দোরকখিগনি। পাক-শন্না উমং কোকথোকপা, থিংবিনবা লৈতবা মওংদা মাইনিং তৌদুনা মহৌশাগী পোথোকশিং পেকথোকপা, চাওখৎ-থৌরাংগী মিংদা খুঙ্গংগী মফম কয়া সিটি ওন্থোরকপা অমসুং লমলক্কী শা-উচেক কয়া কাঙখুল মুৎখিবা মরম্না তমথীরবা লাইচৎ কয়া শন্দোরকপনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স ফাওন্দেসন অমসুং জোর্জ মেসন য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর থোমাস লভজোইনসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মীওই খুন্নাইনা থোকহঞ্জবনি হায়না ফোঙদোকখি। উমং কোকথোকপগা লোয়ননা লম্লক্কী শা-উচেকশিং ঙাকপী শেনবীবা তঙাইফদে হায়না পল্লদুনা বাইওদাইভর্সিটি এক্সপার্ট অসিনা হায়খি, মীওইবনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থল্লবদি মহৌশা ইমানসু মীওইবা খুন্নাইদা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমত্তা থোকহল্লক্লোই। মতাং অসিদা হৌজিক খন্ননীংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মতাংদা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা চাইনাদা চিংনবা মীৎয়েং থম্বগী মতাংদনি। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি চাইনানা বাইওলোজিকেল ৱেপন ওইনা শেমগৎখিবরা হায়বদুসু খন্ননিংঙাই ওই। চাইনাগা য়েংথীনবা লৈবাক খরনা বাইওলোজিকেল ৱেপনগী থিওরি অসি মপূং ফানা শৌগৎপা তারবসু অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্নদি মীওইবা খুন্নাইনা মহৌশাগী খল কায়হল্লুবা অমসুং লমলক্কী শা-উচেক কয়া হাৎলগা চারুবদগী লাইচৎ অসি শন্দোরকপনি হায়রি। মালেমগী থাক্তা অখঙ-অহৈশিংনা থিগৎখিবা মরম্না অথুবা মতমদা চপ চাবা ৱাফম অমা শোয়দনা খঙবা ঙম্লগনি।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঙসিদগী চহী ১১ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০০৯দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী শক্নাইরবা ইকায়খুম্নজরবা মনমোহন সিংহ অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ইকায়খুম্নজরবা ওক্রম ইবোবীগী মতমদা লাইরিক-লাইশু হৈরবা অদুগা লৈঙাক্কী থবক্তি ফংহৌদ্রবা মণিপুরগী নহারোলশিংদা মশা-মরোমদোম হিংজবা ঙম্নবা অমদি ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়র মতেং পাংবা ঙম্নবা হায়দুনা সেল্ফ এমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন প্রোগ্রাম (এম ঈ জি পি) হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা গ্রোসরি, ফিসরি, দক্করি, পোলত্রি, কারপেন্ত্রি, পিগরিনচিংবা কয়াগী শেন্থুং (লোন) কয়া পীবিখি। হায়রিবা শেন্থুং অসি চহী তরেৎকী মনুংদা শেন্দোয়-শেল্লেপ য়াওনা শিংগৎপা লোইগদবনি, শেন্থুং লৌরিবা বেনিফিসরি খুদিংমক্না মাগী-মাগী ত্রেদকী মতুংইন্না ওক মকোন শাদুনা ওক লোয়নখি। য়েনগোন শাদুনা য়েন লোয়নখি। ফর্নিচরগী থবক কয়া হৌনখি, ঙা অমদি ঙানু কয়া লোয়নখি। ঐহাক ইশামকসু পিগরিগী ওইনা শেন্থুং লুপা লাক্ষ ১ লিশীং হুস্ফুতরা লৌজখি। মতমগী মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী শেনফম লুপা লিশীং মরিফুতরারোম চহী তরুকলোমগী মনুংদা শিংগৎচখ্রে। মখা তানা শিংগৎকে খনজৈ। অদুম ওইনমক লৈবাক্কী ওইবা বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক অমদি স্বাইন ফ্লুনচিংবা লায়না-লাইচৎ কয়া লাকখিবনা লোনিশিংদা ইশা-ইশাগী বিজিনেস তৌবদা অৱাবা অমদি অমাঙবা কয়া য়াওখিবগা লোয়ননা শা-ঙা কয়াসু শিখি। অসিদসু নত্তনা চানবা পোৎলমগী মমল ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা, উ ফংলক্তবা, ফংলবসু ত্রান্সপোর্টেসনগী মমল হেনগৎলকপনা গ্রোসরি অমদি ফর্নিচর তৌবশিংদা ফেল ওইরকপা, হৌখিবা চহীদা ঈকং থোক্তুনা ঙা য়োকপা লোনিশিং দিফিজিট তাখি।

অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা খঙহৌদনা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী কোরোনাভাইরসনা মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী মফম পূম্বা মতম কক্তনা ঙসি ফাওবা লোকদাউন চথুরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লোনি খুদিংমক্কী অমাঙবা ওইহল্লে। মরম অসিনা লোন শিংগৎপদি লায়রদনা ইমুং-মনুংগী হিংনবা হোৎনবদা কোক্তা খূৎ হাপতেদা খাক্লে। মতম অমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ইকায়খুম্নজরবা বিশ্বানাথ প্রটাপ সিংহনা অতেনবা মতম খরা মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল সেন্টর (দি আই সী) গী মখাদা শেন্থুং লৌখিবা মণিপুরগী নহারোল কয়াগী লোন কোকপীখি। মতম শাংনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না পূক্নিং লৈতাফম খঙদ্রবা, শূফম চৎফম লৈতবা, করম্বা মতমদা লায়না অসি ঙাকথোক্কনি হায়বা ঙমদ্রবা পুংফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংপুরেল ওইবিরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী পূক্নিং চিংশিনজবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পান্থৈ লৈত্রবা এস ঈ জি পি বেনিফিসরিশিংগী শেন্থুং (লোন) অসি অমুক্তদি কোকপীয়ু। মসিগীদমক ইশাগী থৱায়না হকচাংদা লৈরিমখৈ লৈঙাকলোইগী লুচিংবা অদোম্বু কাউজরোই।

অদোমগী - তেকচম গোপী, ৱাংজিং-ৱাংখৈ

কাঙ অমোমবু কাঙ লাবদা ওন্থোকপা

(কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংবু লাকশিন্নবগী পান্থৈ অমা)

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম



য়েলো ফিভর মোসকুইটো নৎত্রগা *Aedes aegypti* হায়না খঙনবা কাঙ অসিনা দেঙ্গি, চিকনগুনিয়া, জিকা ফিভর, ময়ারো অমসুং য়েলো ফিভর ভাইরসশিংবু পুদুনা চৎলি অমসুং মীওইবদা শন্দোক্তুনা লায়নাশিং পোকহল্লি। কাঙ অসি অফ্রিকাদগী হৌরকখিবনি, অদুবু ঙসিদি ত্রোপিকেল, সবত্রোপিকেল অমসুং টেম্পেরেট রিজনশিংদসু লৈরে। য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফমদি : কাঙ লাবনা মীদা চিক্তে অদুবু কাঙ অমোমশিংনদি মরূম কোক্লবগীদমক মীদগী ঈ চুপ্পি অদুগা মহিক অসি পুই অমসুং লায়না অসি শন্দোকপা ঙম্মী। নোংজুথাগী মতমদা মণিপুরদসু দেঙ্গি লায়নানা নাবগী পাউ হেক হেক তাই। চীংনুং-মান্নুং, চাওখৎপা ৱাংলিবা মফমশিংদনা মসি খরা হেন্না থোকহল্লি। অদুবু নুংঙাইবা পাউ অমদি তারক্লি : 'ভিরজিনিয়া টেক'কী থিজিন লূপ অমনা অসিগুম্বা লায়না শন্দোক্লিবা কাঙ অমোমশিংসিবু লাবদা ওন্থোক্তুনা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং লাকশিনবদা মতেং পাংলগনি হায়বসিনি।

'প্রোসিদিংস ওফ দ নেসনল একাদেমি ওফ সাইন্সেস'তা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, ভিরজিনিয়া টেককী থিজিন লূপ অসিনা জিন অমখক্তনা *Aedes aegypti* অমোমশিংবু ফরটাইল ওইবা (মচা পাকহনবা ঙম্বা) লাবদা ওন্থোকপা ঙম্বগা লোয়ননা কাঙ লাবশিংনা হকতিন্নবগী ঈরাং শাগৎতুনা পাইবা (ফ্লাইট) মতমদা দরকার ওইবা জিন অমবুসু মশক খঙবা ঙল্লে হায়রি। *Aedes aegypti* অমোমশিংনা মরূম কোক্লবগীদমক ঈ দরকার ওই; মরম অসিনা মখোয়না মী অমদগী অতোপ্পা অমদা চিকপা মতমদা জিকা অমসুং দেঙ্গিগুম্বা লায়নাশিং শন্দোকই। কাঙ লাবশিংদি মীদা চিক্তে; অদুনা মখোয়না মীদা লায়নাশিং শন্দোকহন্দে।



জেমস বিদলর (ওয়), অজাদেহ অরয়ন (ময়াই) অমসুং মরিয়া শরাকোভা

মী অমনা নুপা নৎত্রগা নুপী ওইবা হায়বসি সেক্স ক্রোমোজোম X অমসুং Y-গী মখা পোল্লি। কনাগুম্বা অমা মমাগী পীবুক্নুংদা মীতল্লকপা মতমদা সেক্স ক্রোমোজোম Y য়াওরবদি মহাক নুপা ওইগনি, অদুগা X ক্রোমোজোমখক্তমক য়াওরবদি নুপী ওইগনি। মতৌ অসুম্না, *Aedes aegypti* লাবশিংদসু মেলদিটরমিনিং লোকস (এম লোকস) হায়বসি য়াওই। মসি কাঙ লাবশিংখক্তদা ফংই হায়না কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর এন্দ লাইফ সাইন্সেসকী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর জিজিয়ন তুনা হায়রি। *Aedes aegypti* গী এম লোকসতা য়াওবা 'নিক্স' হায়না খঙনবা জীন অসিনা কাঙ অমবু লাবা অমা ওইহল্লি। হায়রিবা জীন অসি কাঙশিংবু অমোম ওইহল্লিবা ক্রোমোজোমদা হাপচিন্দুনা মচা পোকহনবা ঙম্বা লাবশিংদা ওন্থোকই; মসিনা কাঙশিংবু লাকশিনবগী কাঙলোনশিং ওইরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

থিজিন লূপ অসিনা অনীশুবা জীন অমসু থেংনবা ঙমখি। 'মাইও-সেক্স' কৌবা জীন অসিনা কাঙ লাবদুনা অমোম অমগা হকতিন্নবগীদমক্তা ঈরাং শাগৎতুনা পাইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই। অসুম্না থেংনরকপা অসিনা য়ামদ্রবদা জীন ৩০ মুক য়াওরিবা এম লোকসনা মথৌ তৌবগী মোলিক্যুলর বেসিস অদুবুসু খঙহনবা ঙম্লগনি হায়না তু'গী লেবতা রিষর্চ সাইন্টিষ্ট অমা ওইরিবা অজাদেহ অরয়ননা হায়রি। অরয়ন অমসুং মহাক্কী খোঙবুনা মশামক্কী প্রোমোটরবু লাকশিন্দুনা নিক্স জীনগী অহেনবা কোপি অমবু তাক্লিবা ত্রান্সজেনিক মোসকুইটো লাইনশিং শেমগৎপা অমসুং মগুন লেপ্পা ঙমখি। কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর এন্দ লাইফ সাইন্সেসকী ইন্টোমোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মরিয়া শরাকোভা অমসুং গ্রেজ্যুট রিষর্চ এসিষ্টেন্ট অনাষ্টাসিয়া নাউমেনকোনা নিক্সকী অহেনবা কোপিদুগী ক্রোমোসোমদা হাপচিন্নবা মফমদু মেপিং তৌখি। মখোয়না এম লোকস য়াওদনা, নিক্স ত্রান্সজিনখক্তনা অমোমশিংবু লাবদা ওন্থোকপা ঙম্মী হায়বা খঙবা ঙমখিরম্মী।

নিক্স জীন্না অমোমশিংবু লাবদা ওন্থোকপা ঙল্লবসু, অসুম্না ওন্থোক্লবা লাবশিংসি পাইবদি ঙমদে মরমদি এম লোকসতা লৈরিবা, মাইও-জীনদি নৌনা লাবা ওইরক্লিবা কাঙদুদা থংথরকপা ঙমদে। লাবা অমোম হকতিন্নবগীদমক পাইবা হায়বসি মথৌ তারবসু, লাবদা ওন্থোক্লবা কাঙশিংসিনা, অঙৈংবা মফমদা পংথহল্লবা ৱাইল্ড ওইরিবা অমোমশিংগা মচা পোকহনবদি ঙম্মী। নিক্সকী অমোমদগী লাবদা ওন্থোকহনবগী মতেংনা মহীকশিংবু পুরিবা কাঙগী মশীং হন্থহন্নবগীদমক কাঙবু লাকশিনবগী শক্তি চেল্লি নৎত্রগা মীদা চিক্তবা লাবশিং পুথোক্তুনা ষ্টরাইল ইন্সেক্ট টেক্নিক্কী মতেং পাংহনবা য়াই হায়না তু লেবতা রিষর্চ সাইন্টিষ্ট ওইরিবা জেমস বিদলরনা ফোঙদোক্লি।

মিচেল এন্দরসন (ওয়) অমসুং অজাদেহ অরয়ন

কাঙশিংবু লাকশিন্নবগীদমক হকতিন্নবদা মখা পোল্লিবা জীনেটিক মেথদশিংনা অখন্নবা স্পেসিস অমখক্তদা মীৎয়েংফম ওই। মতাং অসিদা, তুগী থিজিনলূপ্পা, চহী চাম্মুক্কী মমাঙদা অমেরিকাদা কন্না লান্দারকখিবা অমসুং মীওইবা খুন্নাইদা অকিবা পোকহনখিবা স্পেসিস, *Aedes aegypti* দা মীৎয়েংফম থমখি। অদুম ওইনমক, লেবোরেটরিগী শারংশিংদা চাংয়েংশিংসি পাঙথোকপা হৌনবগীদমক কান্নরবা ত্রান্সজেনিক লাইনশিংগী মাঙওইননা হেন্না থিজিনখিবগী মথৌদি তারি। হৌজিক থিজিন লূপ অসিনা থেংনরিবা শিংনবা অমদি নিক্স অমসুং মাইও-সেক্স জীন অনীমকপু হাপচিন্দুনা মচা পোকহনবা ঙম্বা, পাইবসু ঙম্বা ত্রান্সজেনিক লাইনশিং পুথোকপনি।

মখা তারকপদা, তুগী থিজিনলূপ অসিনা নিক্স জীন্না মতৌ করম্না অমোম অমবু লাবদা ওন্থোরকপগে হায়বগী মেকানিজমদু খঙদোক্লবা হোৎনগদৌরি। অদুগা মসি চপ মান্নবা কাঙগী স্পেসিস মনুংদা থোকপগী মতাংদসু মখোয়না পূক্নিং লুপশিল্লি। কাঙশিংদা নিক্স জীনগী মরমদা থিজিল্লিবা অসিগীসু মথক্তা, মখোয়না অতোপ্পা তীল-কাঙ, ভরটিব্রেটশিং অমসুং পান্বীশিংদা য়াওরিবা মান্নবা সেক্স ক্রোমোজোমশিংগী মরমদসু থিজিনখিগনি হায়রি। ●

২০শুবা সেঞ্চুরিগী থোয়দোক হেন্দোকপা শান্নরোয়

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ষ্টোকহোলমদা কুমজা ১৯১২ দা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা ওলিম্পিক গেমসকী মরমদা ৱাহৌদোক ওইনা থমজখিবা ৱারেংগী মতুং তারকপদা ওলিম্পিক অসিদা খ্বাইদগী মতিক মগুন লৈবা এথলেটতি অমেরিকাগী রেদ ইন্দিয়া জিম থোর্পনি। মহাক্না ওলিম্পিক অদুদা পেন্তাথলোন অমসুং দেকাথলোন অনীমক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা মতমদা সুইদেনগী নিংথৌ মঙাশুবা গুস্তাভনা ঙক্লম্মী। নিংথৌ গুস্তাভনা মঙোন্দা মেদল পীবা মতমদা ‘‘সার, নহাক মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা এথলেটনি’’ হায়না থাঙ্গৎলম্মী। দেকাথলোন্দা শরুক য়াবা এথলেটশিংনা থৌরম তরাদা অথোই অহেন তান্নগদবনি। থৌরম অসি নুমীৎ নীনিদা পাঙথোকই।

মতৌ অসুম্না পেন্তাথলোন্দসু থৌরম মঙাদা অথোই অহেন তান্নহল্লি, মসিসু নুমীৎ নীনিগী থৌরমনি। দেকাথলোন্দা মহাক্না মথক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা সুইদেনগী হ্যুগো ৱিজলেন্দরদগী পোইন্ট ৬৮৩ হেন্দুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ থমখি। মহাক্কী রেকোর্দ অদু চহী ১৫ থুগায়বা ঙমখিদে, পেন্তাথলোন্দা মহাক্না হিরম মঙাগী মনুংদা মরি মকোক ওইখি।

দেকাথলোনগী অহানবা নুমীৎতা পাঙথোক্কদবা থৌরমদি মথং মনাও নাইনা মিটর ১০০গী লমজেল, চেনজোং, নুঙ হুনবা, হায়জম্প অমসুং মিটর ৪০০গী লমজেলনি, অনীশুবা নুমীৎতা দিস্কস, মিটর ১১০গী হর্দলস, পোলভোল্ট, তা লংবা অমসুং মিটর ১৫০গী লমজেলনি। মহাক্না থৌরম অসিদা পোইন্ট ৮৪১৩ ফংদুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগায়খি। হান্নগী রেকোর্দতি জেমস অষ্টিন মেনাউলগী পোইন্ট ৭৪১৪ নি। ওলিম্পিক অসিদা মহাক্কী নক্লবা লম্বাদি সুইদেনগী হ্যুগো ৱিজলেন্দরনি। থৌরম তরা পাঙথোকখিবা অদুদা হ্যুগো ৱিজলেন্দরনা মঙোন্দগী হেনবা ঙমখিবদি তা লংবা খক্তনি। থৌরম অদুদা হ্যুগোনা মিটর ৫০.৪০ লংখিবা মতমদা জিম থোর্পনা মিটর ৪৫.৭০ খক্তমক লংখি। অদুবু সুইদেনগী এথলেটশিংনা থৌরম অসিদা অনীশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা তাবা ঙমখি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা দেকাথলোনগী রেকোর্দ পায়রিবা এথলেটতি হরিয়ানাগী ভারাতিন্দর সিংহনি। মহাক্না কুমজা ২০১১গী জুন ১২দা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা নেসনল মিট অমদা পোইন্ট ৭৬৫৮ ফংদুনা নেসনল রেকোর্দ অসি থমখিবনি। থৌরম অসিদা মমিং চৎখিবা এথলেটশিংদি পঞ্জাবকী গুরবচান্দ সিংহ রানধাৱা অমসুং উত্তর প্রদেশকী ভিজয় সিংহ চৌহান্নি, মখোয় অনীমক এসিয়া গেমসকী চেম্পিয়ননি। গুরবচান্দ সিংহ রাধাৱাদি রোম ওলিম্পিক্তা কুমজা ১৯৬০ দা দেকাথলোন্দা শরুক য়াখি অমদি ভিজয় সিংহ চৌহান্দি ১৯৭২গী ম্যুনিক ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবদা তরাশুবা পোজিসন ফাওবা তাবা ঙমখিদে। ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা এসিয়াদা লৈবা লৈবাকশিং অসি দেকাথলোন্দা য়ুরোপ অমদি অমেরিকাগী এথলেটশিংগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোল্লি। অদুবু কুমজা ১৯৬০ দা রোম সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা তায়ৱানগী য়াঙ চুৱান- কৱাঙ অশন্বীদা সী কে চুৱান হায়না খঙনবা য়ুনিভর্সিটি কোলেজ ওফ লোস এঞ্জেল অশন্বীদা য়ু সী এল এদা লাইরিক তমদুনা লৈবা অসিদা মহাক্কী মরুপ অমেরিকাগী রেফর জোন্সনগা দেকাথলোন্দা সনাগী মেদল ফংনবা থৌরম অদুগী অরোইবা থৌরম মিটর ১৫০০ দা অকনবা লম্বা তৌনখিবা অদু ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা খ্বাইদগী স্পোর্টিং ওইবা কম্পিটিসনশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি।

কুমজা ১৯১২ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অসি লোইখ্রবা মতুংদা কনাগুম্বা খরনা পাউজেল চেশিংদা জেমস থোর্প অসি কুমজা ১৯০৯ অমসুং কুমজা ১৯১০দা বেজ বোল শান্নবদা শরুক য়াখি। শান্নবা অদুদা শরুক য়াবগীদমক মহাক 'শেল' লৌখি হায়না ইরকখি। শেনফমদি হপ্তাদা দোল্লার ২৫০নি। ওলিম্পিক গেমস অসি এমেচর ওইবা শান্নরোয়শিংতমক শরুক য়াগদবনি। শান্নবগীদমক শেল লৌবা য়াদে। মরম অসিনা মহাক্না অমেরিকাগী এমেচর এথলেটিক্স য়ুনিয়নগী চ্যেরমেন জেমজ ই: সুল্লিতান্দা মহাক্না শেল লৌরুবা অদু অরানবনি, আইন্না য়াদবনি খঙদদুনা তৌরুবনি। মরম অদুনা মহাক্না ঙাকপীনবা হায়জবদা তাবীখিদে। মরম অসিনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা মহাক্কী সনাগী মেদল অমসুং মঙোন্দা পীখিবা মনা-মথুমশিং অদু অমুক লৌশিনখি। মনাশিং অদু পেন্তাথলোন্দা অনীশুবা তাখিবা ফর্দিনান্দ-বী অমসুং দেকাথলোন্দা অনীশুবা তাখিবা হ্যুগো-ৱিজলেন্দরদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা শীন্নরকপা মতমদা লৌশিল্লু হায়বা য়াখিদে হায়নখি। অদুবু রেকোর্দ বুকশিংদদি মখোয় অনীবু মাগী মাগী থৌরমশিংদা মকোক ওইরে হায়না ইশিনখি, জিম থোর্পকী মমিং ককথৎখি।

ওলিম্পিক্কী মেদল হনখ্রবা মতুংদা মহাক প্রোফেসনল শেল লৌদুনা খুৎনেক ওইনা অহানবদা ন্যুয়োর্ক জিয়েন্ট হায়বা টিম অদুগী শান্নরোয় ওইনা মথংদা সিনসিনোট- রেদ টিমগী বেজ বোল কুমজা ১৯১৯ ফাওবা শান্নবদা শেল য়াম্না ফংলম্মী। মহাক কান্তন-বুলদোগ টিমদা য়াওদুনা চহী ৪১ শুবা ফাওবা অমেরিকান ফুটবোল শান্নরম্মী। অমেরিকান ফুটবোল য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মশান্ননি, হৌজিক ঐখোয়না শান্নরিবা সোক্কর হায়না খঙনরিবা ফুটবোল অসিগা খেন্নে।

প্রোফেসনল ওইবা মশান্নশিং অসিদা শরুক য়ারবা মতুংদা অরৈবা শেলমখৈ লোইথোক্তুনা য়াম্না ৱানা য়ু থক্তুনা মতম লেনখি। মতম অসিদা মালেমগী ওইনা দিপ্রেসন লৈবা মরম্না থবক ফংনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাবা অমা ওইরম্মী। মীনা হায়নবদি মহাক লৈকোলদা লৈ খুনবগী থবক তৌদুনা চয়োলদা দোল্লার মরি ফংলম্মী। অঙাংশিংগী শান্নফম অমদসু ইনষ্ট্রক্টর ওইরম্মী, মতুংদা চৌকিদার ফাওবা ওইখি হায়না ফোঙদোক্লে। কুমজা ১৯৩২ দা লোস-এঞ্জেলিসদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী ষ্টেদিয়ম শাবদা মহাক থবক শুবা ওইনা য়াওখি হায়না অইবা খরগী লাইরিক্তা য়াওরি। মহাক ওলিম্পিক অদু য়েংনবা টিকেট লৈবা ঙমদবগী ষ্টেদিয়মগী থোঙ্গালদা লেপ্তুনা লৈবা উই হায়না কনাগুম্বনা ইবা লাইরিক্তা য়াওই হায়রি। ৱাফম অসিদি থাজবা ৱাৎলি মরমদি মহাক ওলিম্পিক অসিগী অহৌবা থৌরম য়াওনবগীদমক্তা ইনভাইট তৌদুনা য়ু এস এগী ভাইস প্রসিদেন্ট চার্লস কর্টিসকা ফম্মিন্নদুনা কুম্মৈ য়েংলম্মী। অসিগুম্বা ঈকায় খুম্নবা অসি মী অমনা পাক ফংনদে।

মহাক হোল্লিহুদনা রোল মচা-মচা পীদুনা ফিল্ম কুমহল্লম্মী। অয়াম্বা মতমদা রেদ ইন্দিয়নগী চীফ শাহল্লি। মহাক্কী মপুন্সিগী মরমদা 'জিম থোর্প- ওল অমেরিকান' কৌবা ফিল্ম অমা বর্ট-লানকেষ্টরবু কুমহন্দুনা পুথোকখি। মহাক্কী মরমদা নমখিবা অতোপ্পা ফিল্ম অমনা 'দি মেন ওফ ব্রোঞ্জনি'। ফিল্মশিং অসি মালেম পুম্বনা পাম্নবা ফিল্মশিং ওইরম্মী। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা জিম-থোর্পকী সনাগী মেদল অনী মুনখিবা অসি পাউচে ইবশিংনা য়াম্না নুংঙাইখিদে। মসিগী মরমদা মখোয়না আই ও সীদা ৱাকৎচে অমা থাঙ্গৎখিবদা থওইনা তাখিদে।

জিম থোর্প কুমজা ১৯৫৩গী মার্চ ২৮দা কালিফোর্নিয়াগী লোমিতা কৌবা মফমদা শিখি। মহাক্না শিরমদাই ফাওবা মহাক্কী ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল অনী অদু তৎতনা হংখি। অদুবু মহাকপু ফুমখিবা মফমদি মাওচ-চুনক কৌবা অপীকপা সহর অমদনি। সহর অসি পেনসেলতানিয়া ষ্টেটকী নোংপোক থংবা মফমদা লৈ। কুমজা ১৯৫০দা শান্নবগী অইবশিংগী এসোসিএসন প্রেসনা ভোট লৌনবদা মহাকপু কুনশুবা সেঞ্চুরিগী খ্বাইদগী ফবা স্পোর্টসমেন (শান্নরোয়) ওইনা খনখি। হৌজিক সহর অসি মহাক্কী মমিং ওইনা জিম থোর্প সিটি হায়না থোনখ্রে।

শান্নরোয়শিংগী মরমদা পাউচে ইবা রোবর্ট হুইল কৌবা নুপা অমনা জিম থোর্প ফাউন্দেসন অমা লিংখৎতুনা মহাক্কী মরমদা ৱাকৎখি। মহাক্কী ৱাকৎতি ষ্টোকহোলমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী রুল মতুংইন্না কনাগুম্বা শান্নরোয় অমনা শেল লৌদুনা শান্নবা য়াওরম্লবদি মহাক্কী মায়োক্তা নুমীৎ ৩০ নি ফাওবগী মনুংদা ৱাকৎচে পীগদবনি অদুবু জিম থোর্পকী মতাংদদি আই ও সীনা ৱাকৎচে অদু ওলিম্পিক লোইখিবা থা তরুক্কী মতুংদা পীখিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।